৭শুবা ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট

# ৱাঙ্গৌই কেন্দ্রনা থোংজু কেন্দ্রবু মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখূৎনা থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখিব মেচ অদু থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র কাংখূৎনা থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ২০-১১দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা কাংখূৎ ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হয়েং কৈশামথোং অমসুং হৈঙাং শান্নরগনি।

## ১৭শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম বি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ওক্টোবর ১দগী ৫ ফাওবা নুমিৎ ৫নি চূপ্পা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা কাইরেনবিখোক্তা ১৭শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী বোল্লিবোল টিম ১৪না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চাংদম্ন গনি। ১৭শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা মেচ ওইনা গ্রুপ দিগী এ এম ৱাই সী অন্দ্রো অমসুং ৱাই পি এ হিরানমৈ, অনীশুবা মেচতা গ্রুপ সীগী এস দি সী শমুরৌ অমসুং আই জি ও ওইনাম, অহুমশুবা মেচতা গ্রুপ এগী এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং জে ৱাই এস য়ু কাইরেনবিখোক, মরিশুবা মেচতা গ্রুপ বিগী ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গৌইথোং অমসুং এস ঈ এম দি ও পাঙলতাবী, মঙাশুবা মেচতা গ্রুপ সীগী এস য়ু দব্লিয়ু সী-বি ইরেংবম অমসুং মিখ্যা-এ ময়াং ইম্ফাল অমদি তরুকশুবা মেচ অমসুং নুমিৎ অসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এস য়ু দব্লিয়ু সী-এ ইরেংবম অমসুং মিখ্যা-বি ময়াং ইম্ফাল শান্নগনি হায়না এ এম বি এগী সেক্রেটরি এল বালেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোলদা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুর ক্রিকেট টিমনা বিনোদ মনকদ ত্রোফিদা শরুক য়াদুনা মায় পাকপা পুরক্লবা থৌনিখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা ওক্টোবর ৫দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বিনোদ মনকদ ত্রোফি ২০১৮দা মণিপুর ক্রিকেট টিম্না শরুক য়াদুনা মায় পাকপা পুরক্লবা মপূগী মফমদা ঙসি থৌবাল মোইজিং কম্যুনিতি হোলদা থৌনিবা (দুৱা) গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।




লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদগী টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিনোদ মনকদ ত্রোফি ২০১৮দা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়ারিবা থৌবাল মোইজিংদগী সোহেল অক্রম অমদি মহাক্কী টিম্না মায় পাকপা পুরক্লবগী মপূগী মফমদা থৌনিবগী থৌরম অমা মোইজিং প্লে গ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিট অমসুং অল-রাজক সোরিন রিও করাটে এলিদ এসোসিএসন অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ক্রিকেট টিমদা শরুক য়ারিবা সোহেল অক্রমগী অপোকপা মৌলানা অয়ুব খানবু পূক্লিং থৌগৎখিবগা লোননা শেলগী তেংবাঙ পীখি। ঙসিগী থৌনিবগী থৌরম অদুদা লৈশাংথেম জিলা পরিষদকী মেম্বর লটিফনা অথোইবা মীথুংলেন, মোইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি ৱারিসনা থৌরম মপূ, মুফটি জিওর রহমন অমসুং এদ্যুকেসন গাইদ সেন্তরগী প্রসিদেন্ট মোইচিংময়ূম খৈরউদ্দিন্না অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাঙলোইশিংনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর পিকচরবসু শান্নবগী লমদা য়াম্না হৈথোই শিংথোইবা, মালেম্না মশক খঙবা লমদম অমনি। লমদম অসিবু মালেমদা মশক তাক্লিবা শান্নরোয়শিংবু ঐখোয়না পূক্লিং থৌগৎপীবা হায়বসি তঙাইফদে। লোয়ননা লমদম অসিগীদমক্তা মহুৎ শিন্দুনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা শান্নগদৌরিবা অসিদা মায় পাক্লা হল্লক্ল বগীদমক্তা মপূদা হায়জবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

লমদম অসিবু চাওখৎপা পুরকপদা শান্নরোয়শিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মরম অসিনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহারোলশিংবু লাইরিক তম্না তম্না শান্ন-খোৎনবদসু পূক্লিং চিংশিনবা মথৌ তাই। শান্ন-খোৎনবনা হকচাং ফনা অমদ নুংঙাই য়াইফনা লৈবা ঙম্মী। নহারোলশিংবু তিঞ্জং কাইজংদবা অমদি মীয়াম্না মশক খঙবা মীওই অমমম ওইহনসি। লোয়ননা মখোয়বু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্না থমসি হায়বা ৱাফমশিং থৌরম অদুদা ফোঙদোক্লখি।

পনবা য়াবদি ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিদোন মনকদ ত্রোফি ২০১৮দা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা অমদি টিম অসিগী ওল রাউন্দর শান্নরোয় ওইরিবা সোহেল অক্রম হয়েং ভুবনেশ্বরগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রগনি হায়না থৌরম অসিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮

# দিবুটস এফ সী অমসুং ককচীং এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা দিবুটস এফ সী লমদিং অমসুং ককচীং এফ সী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দিবুটস এফ সী অমসুং তেন্থা এফ সী শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৫শুবা মিনটতা দিবুটস এফ সীগী জর্সি নম্বর ৬ লাভিনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। তেন্থা এফ সীগী মায়কৈদগীসু দিবুটস এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু দিবুটস এফ সীগী মায়কৈদগীসু তেন্থা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা চথরক্লিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দিবুটস এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু তেন্থা এফ সীগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা তেন্থা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা দিবুটস এফ সীনা অহানবা হাফতগী গোল অমা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম য়াঙনা শান্নরকপা উখি। অদুবু দিবুটস এফ সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা তেন্থা এফ সীগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লেইশিল্লকপদা দিবুটস এফ সীগী মায়কৈদগী গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা দিবুটস এফ সী লমদিংনা তেন্থা এফ সীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা হোপসন মেমোরিএল এফ সী অমসুং ককচীং এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী ২৫শুবা মিনটতা ককচীং এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ ঈ জয়কিষন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চদুনা মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ২৮শুবা মিনটতা হোপসন মেমোরিএল এফ সীগী জর্সি নম্বর ২ কে ষ্টিফেন্না ককচীং এফ সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোল ১-১দা লৈবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা ককচীং এফ সীনা হোপসন মেমোরিএল এফ সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

LOAN AVAILABLE



- Business loan [Rs.1Lakh to Rs.20Lakhs (12% P.A)]
- Pension loan (1.5%,2%,2.5%&3% P.M
- AGRICULTURAL EQUIPMENT, FISH FARM EQUIPMENT
- Electronics loan(T.V,Laptop,Xerox Machine,Washing Machine,etc...)
- Machinery loan(Rice Mill,Stone Crusher,Carpentry Machine,Flex Printer, Embroidery Related Equipment, Solar Plate,Water pump,Incubator, Beverage Preparing Machine,Icecream Freezer,Car Wash Machine Set, Fish & Chicken Equipment,Iron Soldering Machine,Workshop Equipment,Etc..)

Development Organisation For Socio-Economic in Rural Area(DOFSERA) & L.G. MOTORS
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com